## রারী মচা

# লমদম অসিনা চপ লেপ্পুনা লৈখিবা

**–ধনশ্যাম ৱাহেংবা**

"ঙসিসু শম ককফম থোঙ লোন্দুনা লৈরম্মি।"

ইচানুপা মঙলেমনা কৈথেলদগী হল্লক্তুনা তম্মি।

ঐনা হংলুই,

"নুমিৎ কয়ানিগীনি হায়গেনে মখোয়গী থবক লেপ্পা খোঙজং অসিবো?"

"য়ানবা অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবদি তৌখিদৌরি। মখোয়শিং অসি লৈহন্দ্রগা ফগদবনি।"

"মদু য়ারোই মখোয়সু লৈবাক অসিগী মীনি।"

খোঞ্জেল অদু খরা কনখৎলদুনা মানা হায়রকই,

"মখোয়না শম অককমন হেনগৎনিংলগা হেনগৎ, তানিংলগা তা তৌদুনা শান্নরি। মখোয়না হেন্না চাউরক্লে।"

"থবক শুবা মীনা খুৎশুমন য়াম্না লৌনিংবা, পোৎ য়োনবা মীনা মমন হেন্না লৌনিংবা মশানা তাবনি। পোৎ–চৈগী মমন্না সোরারেন য়ৌরক্লবা মতমসিদবো খুৎশুমনসু মশানা হেনগৎলকপা তাবনি।"

"অদুবু মখোয়গী অপাম্বা ফংদ্রে হায়দুনা থবক খঙলেপ লেপখিবসিদি হেনমল্লি। লৈবাকমচাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসিগীসু খন্থগদবনি।"

"থবক শুহল্লগা খুৎশুমন পীক্লা পীগে হায়বা য়াবা হৌনদেনে ইবুংঙো। পোৎ–চৈগী মমন হেনগৎলকপগী খুৎশুমনসু হেনগৎলকপনিনে।"

"অদুবু মখোয়না হেনগৎলকপা অসিদি মরম চাদে।"

"মতমনা পুরকপনি। লৈবাক খ্বাইনা হেনগৎলকপনি। মমাঙঙৈদা ফৌ শংবাইদা লুপা অনীদা পীরম্মী হায়দুনা হৌজিকপু কদাইদগী লৈবা ফংগদগে? কনানা মমল হেনগৎলকপনা চুম্বা, অদুগা কনানা মমন হেনগৎলকপনা লানবা অসিদা চোংথোরকউদনা। থবক শুনিংদবা কতনজাউশিং।"

মঙলেমনা খুদক্তা য়ানিংদবা উৎলদুনা হায়রকই,

"অসিগুম্বা থবকসি তৌরগা মীনা করি হায়নখিনি? ইশাগী ইকায়খুম্নবসু য়েংদবা য়াদবনি।"

ফৎ লৈথোক্তুনা মা ইনাক্তগী চৎখ্রে।

কৈথেলদগী মী নেকপা চৎলুবা মনাওনুপা লৈচিল হঞ্জিল্লকই। অদুবু কনাসু লোয়নরক্তে।

লৈচিলনা হায়রকই,

"মীগা অমত্তা ফংদে।"

"ঐনা চৎলমদাইদা হায়খিবদুনি। খুৎশুমন হেনগৎপগী ঈহৌদা পূম্নমক য়াওরম্লনি।"

মিকুপ অহুমদং লেপ্লুরগা ঐনা মখা তারুই,

"থবক্কী কৈথেলদা থবক শুবা মী অমত্তা ফংদ্রবা!"

মীনা কৃক কৃক ইন্নখ্রবা থবক্কী কৈথেল অদু ঙসিদি থবক শুবা মীদি লাইরদনা তুমিৎ ফাওবা পাইরমদে।"

"লমদম অসিগী লৈবাকমচাশিংগী মরক্তা লমদমসিগী ফত্ত–হৌদি শেংদোকপা ঙম্বা থৌনা ফবা, তন্দবা মীশক অমা ফাওবা ফংলরোইদ্রা?"

ঐগী ৱাসি তারগা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলদুনা ইচা লৈচিলনা হায়রকই,

"অমোৎপা শেংদোকপগা থৌনা ফবা, তন্দবগা মরী করিসু লৈনদে।"

"মরী য়াম্না লৈনৈ। থবক চিলহাউ থিদবা, নোম্বা কনবা মীদি অতনবা লৈতে। মঙোন্দা থবক তৌবগী অকিবসু লৈতে। মসি থৌনা ফবনিনে, থৌনা ফবা।"

লৈচিলনা নোক্লিংদনা নোক্লদুনা হায়রকই,

"ফত্ত–হৌদিনা ফুনজিল্লবা খোঙবান অসি শেংদোকপবু থৌনা ফবা!?"

"অচৌবা লৈরম্বগী মচাসু লৈরম্বনি। অৱাংবা লৈরম্বগী অনেম্বসু লৈরম্বনি। অদুবু পূম্নমক অসি খেন্নবা লৈতে। চপ মান্নে। থবক খুদিংমক পুন্সিদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ঙাক্তনি। পুং কুনমরীগী মনুংদা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা, মথৌ তারিবা পোৎ খুদিংমক নঙ ঐনা লোয়না পুথোকপা ঙম্বা নত্তে। মানা মানা ঙম্বা থবক তৌনদুনা পোৎশিং অসি পুথোক্লিবনি।"

ঐগী ৱা লোয়না তারমদনা লৈচিলসু চৎখ্রে।

"মসিনি লমদম অসিগী লৈবাকমচাশিংগী মশাদা চেল্লিবা নুংশিৎ! নীংথিনা ৱা অমত্তা তান্নবা য়াদবা!" –ঐগী থম্মোই

"ঙসিদি পোৎ খরদং য়োন্নবা হোৎনবদা কয়াদি ৱারে। ইঙ্খোল কোয়বগী মহুৎ ফাওবা হনজিল্লোইদৌরি।"

লৈচিল মমানা কৈথেল কারুবদগী হঞ্জিল্লক্তুনা হায়রবনি।

ঐনা হংলুই,

"নঙনা করি অমুক তৌরক্লবা?"

"পোৎ হোনবীনবা মী ময়াম অমা লৈবদো ঙসিদি অমত্তা হেক উদে। শু–নোমজরগা ফংলকপা হুমাংমন্না হিংজরিবা পোৎ হোনবশিংদো থিংবীরবনিনা কনাসু থোকক্রে।"

"মখোয়দি কনানা থিংবীরিবা?"

"ও! মীতোপ চঙলকপা থিংবা কাঙবুনা। নচা য়াইমা ফাইরেলসু য়াওরিবনি। বস পার্কিংদগী পোৎ লৌথোকখ্রে। লুপা কুনদং পীরগা থাংহনবা য়াবা মখোয়বুনা থিংবিরে। রিক্সা চঙবা য়াদবা পোৎফম ফাওবদং য়ৌশিনবীরম্নবা হায়রুবদা লুপা কুন হাপ্পু হেক্তা হায়।"

"উম, লৈবাক অসি নুংঙাইদৌরি।"

লৈচিল মমানা খোন কনখৎলদুনা হায়রকই,

"শুবা–নোম্বা তন্দবা মখোয়বু থবক তৌবা থিংবিরগা করি কান্নেয়েগে? নোংমগী লুপা য়াঙ্খে–চাম্মদং ৱানা তানজবা পোৎয়োনবী মমা–মন্দোনশিংবু ৱাহল্লগা করি তোংজেয়েগে?"

"অচৌবা পারা অমদি তন্বীরেদনা?"

"মদুবু নচাশিং অসিনা খঙিঙদরা?"

কৈথেল কারুবগী খাউ ময়োম অদু পায়বদুনা লৈচিল মমানা ঙাংনা–ঙাংনা ইমুংদা চঙখি।

নুমিদাং চাক চানরবা মতুং মাঙ্গোল ডারীদা ফমদুনা ময়াম হকচিক লাংলি।

ঐনা ইচা ফাইরেলদা হায়রুই,

"ফাইরেল নখোয়না তৌরিবসিবু করিনোনেহে?"

ফাইরেলনা খুন্নকই,

"লমদম অসি অতোপ্পা ষ্টেটতগী লেপ্পুনা চঙলকপা মীনা ৱাই চাইরে। হৌজিক মখোয়গী অপাম্বদা তৌবা হৌরক্লে। খরা লৈরগদি ঐখোয় হিংবদা ৱারক্কদৌরিবনি। অদুনা মাগী মাগী লৈফমদা হলহনখিনবা তৌরিবনি।"

"মখোয় অসিবু কনানা কৌশিল্লকপনো? লমদমসিদা লৈবা নখোয় ঐখোয়না কৌশিল্লকপা নত্তরনে?"

ফাইরেলনা মমিৎ লাওথোক্লদুনা হায়রকই,

"ঐখোয়না করিগী কৌশিনগনি? ঐখোয়দি মখোয়বু হলহনখিনবা হোৎনরিবনি। মখোয় অমা অনী লৈরম্বদগী মথং–মথং কৌশিল্লক্তুনা ঙসিগী মীয়াম অসি ওইখিবনি।"

মাগী ৱাদু শৌগৎলদুনা মঙলেমনা হায়রকই,

"মখোয় অসিবু লমদমসিগী লৈবাকমচা কনানা করিগী কৌশিল্লক্তৌরিনো? পাবুংগী ৱাদু ওন্নরে।"

লৈচিলসু ময়াম্বশিংবু শৌগৎলদুনা হায়রকই,

"মখোয়দি মখোয় মশেন খরা খরা পুশিন্নরক্তুনা চঙলকপনি।"

ঐনা ইচাশিংদা হায়,

"মখোয় অসি নখোয় ঐখোয়না কৌশিল্লকপা, পুশিল্লকপা নত্তনা কনানা ওইগনি? য়েংঙু, শম ককপা মী লৈরমদবদগী মঙলেম নঙনা হল্লকখিবা, অদুগা লৈচিল নঙনা খোঙবান শেংদোক্লবা মী নেকপা চৎলুবদা ফংলক্ত্রিবা অদু করিদগীনো? নখোয় খল্লু। য়াম্না মুন্না খল্লু।"

ইচাশিংনা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংদুনা করি হায়রক্কদগে হায়দুনা ঙাইরি।

ঐনা মখা তারদুনা হায়,

"মখোয়না তৌবা থবকশিং অসি লমদমসিগী লৈবাকমচা কনানা থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা তৌবা ঙম্বগে? লমদম অসিদা থবক কয়া শুবীনবা লৈতবা তাদুনা লৈরি। থবকশিং অসি শুবীনবা মী নখোয়না থিরি, কৌরি শুহল্লি। থবকশিং অসি শুরম্বদগী লেপখিবদা নত্তরা ঙসি লমদম অসিনা চপ লেপ্পুনা লৈখিবা? থবকশিং অসি নখোয়না চোংথোক্তুনা শুরু, নোম্লু। থবক্লা লৈত্রবদা কনানা থবক থিবা লাক্কনি? মখোয় অসিবু নখোয়না কৌশিল্লকপা নৎত্রে? নখোয়দি থবক শুনিংদে, নোম্নিংদে। থবকপু ইকাই খুম্নদে। নোম্বা কনবা মীবু ইকাই খুম্ননিংদে। নখোয়দি মঙ মঙদুনা হৈবোং মখাদা হিপ্পুনা হৈবোং তারকপা ঙাইরি।"

ঐনা লেপ্পা লৈতনা হায়রকপা অদুদদি ইচাশিংনা তানিংদ্রদুনা মথং মথং হৌগত্তুনা চঙনখ্রে।

## তাবুনুংদগী

(ঙসিগী ওইনা কবিরত্ন ডা.লমাবম কমলগী ফাওরবা কবিতা "বিশ্ব প্রেম" তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)

### বিশ্ব প্রেম

**ডা. কমল সিংহ**

হে পাখঙশা! বিজ্ঞান হৈরবা,
করিগীনো মন্ত্রবু থাজদ্রবা?
পাল্লবদা নুংশিগী মন্ত্রনা
মিৎ তাংগনি পাংনা পাংনা,
না পঙগনি তা–না তা–না,
পঙগনি লৌশিং থৌনা থৌনা।
লৈনম হুদুনসু মলয়ানা,
"নুংশি" "নুংশি" হায়নবগুম্না
পুক্লিং হুদুনসু নুংশিবা মীনা
মখলগনি "নুংশি" "নুংশি" হায়না।
তিংখং পাল্লবসু কেতকীনা,
মনম নুংবিগুম অহৌইনা,

নিঙাই চাউর চাউরগা নুংশিবনা,
"নুংশি" মখলগনি থোইনা হেন্না।
চৈ থাংলবসু নুংশিবা মীনা,
হীদাক অখাবা চাবগুম্না,
হেন্না তেকখৎকনি নশাদু,
হেন্না নুঙাইগনি পুক্লিংদু।
নাওথী শারে মনুংশিনি,
শুগৎলে নোকলক্লে নীঙগনি।
শনরিক পরেং নুংশিবগী,
হুক্তোক্তুনা নুংশিবগী ঙকশমদগী,
য়েকনবদা শিবিবা ঙল্লবা,
প্রেমিক কৌই নুপাদু অশেংবা।।

## লাইরিক্কী উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিং ঃ ঐগী খুঙ্গংদা লাক্লবদি**
**অইবা ঃ থৌদাম নেত্রজিৎ, মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি**
**মমল ঃ লুপা ১৭০/–**

থৌদাম নেত্রজিৎ (১৯৭৫–) কী 'ঐগী খুঙ্গংদা লাক্লবদি' হায়বা লাইরিক অসি কবিসিগী মঙাশুবা শৈরেং লাইরিক্নি। শৈরেং ৫৬ য়াওবা লমায় ১১ + Xiii পানবা, মমল লুপা ১৭০ পীবা লাইরিকসি ২০১৩ দা অহানবা ওইনা য়াইবিরেন কম্যুনিকেসন্স, ইম্ফালদা নম্নগা মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি. ইম্ফালনা ফোঙবনি। মখুমগী লাইনা রনধির কুমার য়েন্দ্রেম্বমনা য়েকপনি। কবিনা লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা ইরি– " সাহিত্যগী পাক–চাওরবা খল্লিবমখৈ লোইবা নাইদবা, উরিবমখৈ ঙমখৈ লৈতনা অদুগুম্বা ঈপাক অদুদা পেন্না নীং তমজবদুদি ঐসু খ্বাইদগী পামজৈ।" মসিমক্লা অইবগী মীৎয়েংগী ঙমখৈ মমাঙগী লাইরিকশিংদগী পাকথোক–চাওথোরক্লে। হায়বদু উবা ফ ংই। হন্দক্কী লাইরিকসিদা উবা ফংলিবা মপুং ওইবা হিরমশিংদি মশাগী লন্নাইগী পুন্সিবু থিনবা হোৎনরকপা, গনতন্ত্রগী লৈঙাক্কী মরুমদা মীয়াম্বু ওৎ–নৈদুনা সাসন চত্থবা, চীং–তম খাইবুং খাইবুং তান্নরকপবু নুংঙাইতবা উৎপা, খুঙ্গংগী অচম্বা পুন্সি মহিং য়েক্লবা লাক্লবা, মালেমবু শান্তি লৈবা মফম ওইন্নিংবা অসিনচিংবনি।কবিগী শৈরেং খরদদি য়াম্নমক পার্সোনেল ওইবা মওংদা মশাগী পুন্সিবু য়েংলকপা উবা ফংই। কবি অসি পুন্সিবু নুংঙাইবা ওইনা উদে, অৱাবা নীংবা খাঙমদবা চৈনা চৈথেং কয়াম্না য়োমশিল্লগা লৈবগুম উই। মখলসিগী শৈরেংশিংসিদা ' ইশাইফু ' অমদি ' ফমুং অমদি মঙফম' হায়রিবশিংসি পনবা য়াই। মসিমক্তি কবিগী পুন্সিদা পর্কিসনগী অনাবা নত্রগা লোই চেন্নদুনা হেন্না তম্বা ঙমদবা ওইবতা নত্তনা অইবা অসিগী পুন্সিদি অমুক্কসু হেন্না তম্বা ঙমদবা মওং অমা ওইরিবনি। মীৎয়েং অসিবু ফোঙদোরকপা মতাংদা মিনা মিরাং লোনবগুম্না চঙখোল্লবা ইমেজ ময়াম্না হৈ–শিংনা লোল্লকই–" খোঙ অনি, খুৎ অনি / পার্কিসন লায়নাগী কন্নবা থৌরিনা চেৎনা লাকশিনখি'। লাউনা খোঙনা চেল্লম্বা ঈচেল অমা । নলাগুম্না পীকশিনখি। অদুগা লংদুম অমগুম। তুম্লক তাশিনখি শুরু শুরু নৈশিন্দুনা।' মশাগী পুন্সিবু মশা শাগন অনিমক তেক্তুনা পাইবা ঙমদ্রবা উচেক অমগুম্না ওম্থোক্লা গতি লৈত্রবা মওং অমদা উরকই। খুঙ্গংগী অচম্বা পুন্সি, লৌবুকশিংদা থবক ইনখাং শুরিবা লৌমীশিংগী লায়রবা, হিংনবগীদমক অৱাবা খঙদনা থবক শুরিবশিংগী মতৌবু ময়েক শেংনা য়েকই–" অনৈবা ঈশিংদা / মমি শেংদনা তারিবা / অৱা–মায়থোঙ' হায়বসি খুঙ্গংদা হিংলিবা লৌমীশিংগী অৱাবা পুন্সিবু মীৎমাঙদা শক্তম পান্দুনা চোংথোকহনবা ঙমদুনা ফংসনেল ওইহনবা ঙম্মী।

লমদম অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ খুরক হাংদনা মরম চাবা চাদবা, মসিনা লায়রবা মীচম মীয়ামগী পুন্সিবু হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা তাহনবা অদুবু সুরেলিষ্টিক ওইবা মওংদা সর্কিষ্টিক ওইনা পোইটিক ভিজন্দা কোনবী শান্নরি / হেন্না। / মচা ওন্নি শকহেনবীশিংদা, / ওন্নবা মচাশিং / মমাশিংদা / পলিশিংদা।" কবিগী পোইটিক ভিজন অসি সেন্সেটিব ওই, ক্রেটিভিটিগী অৱাংবা খুৎশেম্মা চুমথাঙগী মঙালগুম্না মচু মমেন থক্তোকহনবা ঙম্মী। লোন শিজিন্নবদা ৱাহৈগী চয়োম শাহন্দনা ৱাহৈ খরদনা অর্থদা মপুং ফাহনবা ঙম্মী। অমসুং মহৌশাগী চীন্ন–চান্নরম্বগী ইতিহাসপু কাওথোক্লগা চীং–তম তোখায়না তান্নরকপদা কবিনা ইরি–" চীংশাংশিংসে / ঙসিদি ঐগী মীত্তা উরকই। / থেক্লোই নাকোই কোয়শিল্লিবা লিনগুম্বা / মমিৎ ইরং লংনা পাংদুনা। করিগুম্বা অমা লাক্কদবগী তাঞ্জা লুম্লিবা।" মসিনা লমদমসিদা হায়ৱেদা পোলিটিক্স তৌবা, মমীশিংগী মথক্তা অমদা নত্রগা অমদা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈবা চীংগী মতৌ অদুবু ফোঙদোকপনি। মসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা চীংশাং পরেংশিং অসি করিগুম্বদা জেলগী চেকপল মরোল, অমুকসু ঈ মরীগী মীওই কয়াগী মোংফম পরেং ওইনা উহল্লি। কবিনা পামজবদি চীংশাং পরেংশিং অসিনা থৱায় মিরেল কয়াবু য়েক্লবদগী ঙাকথোক্লবা লানবন ওইহনবনি। মায়কৈ অমদনা লমদমসিদা গনতন্ত্রগী লৈঙাক্কী অর্থ থোক্তবা, ফাগি তাবা, মীওইবগী মনিংতম্বা ৱাখলগী মফম লৈতবা অসিনা পোইট পর্সননা গনতন্ত্রগী লৈঙাকপু মমল লৈনা লৌজবা অদুবু জাতিসিনা মনিংতম্বা ফংখিবা নুমিৎ অমদা মহাক্কী মকোক্তা নোংমৈ মরুনা পানবগী পোইটিক এক্সপরিয়েন্স অমা উৎলি। অদুনা লমদমসিদা গনতন্ত্র হায়বসি মানা মানা পাম্বা পংতৌদা তৌনবা ওইনা ওইনা উরকই। অমুকসু লৈঙাকসিগী ওইনা ষ্টেটসিগী চাউখৎ–থৌরাংগী লৈরিবা সেক্রেটরিয়েৎ খুৎ লীংবশিংনা শেন্দানফম ওম্থোকপা, মীচম মীয়ামগী চাকথুং মৎপা ওইনা উরকই। গুড গভর্নমেন্ট লৈতবনা লৈবাক ৱাবনি উৎলি। নেত্রজিৎকী শৈরেং লাইরিকসি মমল য়াম্নবা কনাগী খুদোল অমদি ওইরে।

**– আর জে মীতৈ**

## শৈরেং

### পাংথোক্লম্মু শীম্বা মীওইবা

*–বিজয়ন্তি*

হে তাইবঙ মীওইবা
করিগী তুমিন্না লৈরিবনো
তাইবঙ মপুনা শীন্নরকপা
তাইবঙ শীম্বা পাঙথোকপা
লাক্লীবা নত্তা নঙ?

চৎখিগনি মতম মাদি
নীঙাইদনা কনাবুসু ঙাইবীদ
চৎপা য়ারোই নঙদি
নঙগী শীম্বা লোইদ
তাইবঙ অসি থাদোক্তুনা।

চৎখ্রবা মতম মাদি
লাক্লরোই হন্না অমুক
নঙতনি ৱাহৌগদবা তাইবঙসিদা
শীম্বানা পুমকোয় কোয়শিল্লক
পাঙ্গলনা ময়েং তাশিল্লক।

পাঙথোকউ হে মীওইবা
পাঙ্গলনা ময়েং তাদ্রিঙৈ
মপুনা শীন্নরকপা শীম্বাদু
নীঙাইদনা লৈথোক্কনু নঙ
তাইবঙ পুন্সি ইচেলসিদা।

তাইবঙদা লৈরিঙৈ মীৎকুপসিদা
লোয়শিল্লম্মু নঙগী শীম্বা
নঙগী শীম্বা লোয়দনা
লাইরমলেন্দা নীঙাইদনা লাকপগী
মপুনা পীবা চৈরাক
কীদবরা হে মীওইবা?

লেপকনু তাইবঙ খোঙচৎসিদা
পাঙথোক্লম্মু নঙগী শীম্বা
লাইরমলেনবু য়ৌরবা মতমদা
নুংশিরা থৱায় মীরেলসিনা
ঈংনা য়াতাজবা ফংনবা।

### ঙসিগী মঙলান্দ

*– থোকচোম ইবেম্মু দেবী*

ইকায় খঙদবা ময়ামসে
লৈরিবমখৈ লমদমসে কনবা য়ারোইএ
নিষা চাবা ময়াম লৈরিমখৈ
চাওখৎ খোঙথাং য়ারোইদৌরি
নখোয় লোয়না তুমখ্রোনে।

ইলেক্সন অমা লোয়গদৌরি
চাহৌরো ননিং থুংনা
হয়েংদগী ঙসিনা অরোয়বনি
য়েংলহৌরোনে নিষা মপুনশিংদো
ইলেক্সন অমা য়ৌরক্কদৌরি।

জদু হৈবা মাইবশিংদো
য়ারেকহল্লোনে ভোট কাননবা
মতম লৈরিঙৈ থিহৌরোনে
ইমাগী ইবুংঙো মন্ত্র
নহাকথক্তা মণিপুর মুথৎলকউকো।

### চংশিল্লু মাঙলোমদা

*– এলাংবম ধনঞ্জয়*

থম্মোইগী ঈচেল লেপ্তুরি
ৱাখলগী পরিং তৎতরি
পূক্লিংগী আশা কায়দরি
পুন্সিগী মৈরা মুৎতরি।

অমম্বা অহীং হৌখরে
অঙানবা অয়ুক ওইরক্লে
অৱাবা মতম লোয়খরে
নুংঙাইবা তাঙকক য়ৌরক্লে।

নীংবা কায়রনু কৈদৌঙৈ
ওইরে অফবা খেনফম
নোক্লো হরাওনা মকাফন্না
পোখারো ৱাদনা নিংঙাইদনা।

লমজিং মৈরানা মাঙখরে,
থৌনা লিংজেলনা তুংদা ইল্লে
লৌশিং লাইজনা থক্তা চেল্লে
য়েৎথাং ওইথাংনা চুংগোই ওইরে।

চংশিল্লো অথৌবা মাঙলোমদা
পম্থুং য়ৌনবা লেপ্তুনা
লাম্থোকলো অচৌবা ঈপাক
কাখৎলো অৱাংবা চীংদোল।

মিংচৎনা নঙবু ঙাইরিবনি
লনগৈনা নঙবু য়েংলিবনি
লেঙদবা, নুঙাইবা অপেনবা
নঙবু ওক্কনি লৈরিবনি।

তান্নবগী তৎতবা নুংঙাইবা
ফংবগী অপেনবা অথোইবা
অনৌবা পুন্সি পীবনি
থৱাইগী মঙাল হাপ্পনি।

### শিঙ্গারৈ

*নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

ইরাল অমা পীরম্মু
কায়না পম্থুং ওইনবা
ইরালদুনি ঙাইরিবা
নোঙ্গৌবীগুম ঐনা।

পীবিরকপা ইরালদো
খুদোলপোৎনি খন্দুনা
লৌজরগে হরাওনা।

লাইজ ৱাৎপা মফমদু
কৌনবদাই লৈকংলা
নুংশি ঈরিক পক্ত্রবা
থম্মোয়দুবু থম্মোয়রা?

খোইনৌ ইতা চান্নবী
শুমাঙ ময়াগী শিঙ্গারৈ
খোইমু ইন্দে ৱারৌনু
থম্মোয় লাইমন ওইনবনি।

### শিম্বা পীরো ইমা ও

*সঞ্জেনবম ভানুমতি দেবী*

শিম্বা পীরো ইমা ও
মৈতৈ চনু পলেম ও
নপারী পাম্বোম চাওজরে
নমোম শরেপ তমজরে।

পুক্লিং থম্মোয় শুক্ষৎপা
ৱারী শীংবূল পুন্সিবা
নচাগী নাপ চীক্লা চীক্লা
খজাই লেংঙোল চুপ্পা চুপ্পা
লীবীরোনে পলেম ও

কুমজা কুমওন কয়াগী
লুবাক তাবু নুংদগী
অরিবা মরু কুজোক খুজোক
শিন্নবীরো নচাশিংদা
শরা শন্না চাইজগে।

পলেম ঈঙ্খোল চাওগোন্নুং
মালেম খোয়দৌ লৈকোন্নুং
নৌনা নৌনা নৌহৌনা
নীংশীং নীংশীং নুংওন্না
য়েন্নৌ য়েন্নীং হুন্নবা।

অৱাবা পুম্বা খাঙগনি
নপারী নমোম ঐখোয়না
খুজেং পালোয়নদুনা
পরেং পরেং লেংদুনা

পজেং ফিরাল থেৎচগে
শিদ' মিংখৈ য়েকচগে।

### চৎলমদাই মিৎকুপ্তা

*রনবীর সারুংবা*

লমসি থাদোক্তুনা চৎলগে
চৎলগে খল্লকপা কুইরবনি
কনানা মফমসিদা লৈনিংগনি
অনা–লাইয়েংফমদসু কিহল্লি।

পোকখায়গল্লবা পোৎশিং পৈশিন্দুনা
লাইরিক তম্ফম শঙদসু
শেল লৌননবা
মফম খঙদনা কিহল্লি।

মফম খুদিং লৈফম পম্থদুনা
কয়াম কুইনা লৈনীংগনি?
খোঙ থাংদোক্লগে খল্লকপদা
কৌরু চীংদোন্না খাম্লকই।

লোক্তাক ঈয়াইদা তারিবা ইমিনা
মখুৎ খত্তুনা কৌরকই
খোঙ থাংদোকপা ঙমহন্দে
পীশক পীক্লিঙৈদগী থক্লক্লবা।

ইম্ফাল, ইরিল, নম্বুলগী
থুম্লবা, ঈশিং ঈরিক্লা কৌরকই
লৈহাওসিদা লৈশাৎ তম্মিন্নরকপনি
পুন্না লৈশাৎ তম্মিন্নখিসি

লমসি থাদোক্তুনা চৎলগে
চৎলগে খল্লকপা কুইরবনি
কনানা মফমসিদা লৈনিংগনি
অনা–লাইয়েংফমদসু কিহল্লি।।